# ইন্দিয়ন হোকি টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নরিবা মণিপুরগী কাঙুজম চিংলেনসনা



কাঙুজম চিংলেনসনা

(ঙরাংগী মখা)

ইন্দিয়া টিমদা ঐহাক্না মশক থোক্না শান্নবা ঙম্লকখিবা অসিমক্তী ৱেষ্টর্ন রেলৱে-মুম্বাইদা লাক্লবা মতুংদগীনি। ২০১০দা পঞ্জাবতা তৌখিবা “ওল ইন্দিয়া সুর্জিৎ সিংহ হোকি টুর্নামেন্ট” অসিদা ঐহাক ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা শান্নজখি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা ঐহাক প্লেয়র ওফদী টুর্নামেন্টকী মীংথোলসু ফংজরকখি। ২০১০গী মতমসিদা, ঐহাক হোকিদা ফোর্ম খরা চুম্না শান্নবসু ঙম্লে। মদুগী মতুংদগীদি “অজলান সাহ কপ”কী ইন্দিয়া কেম্প অহানবা ওইনা কৌরকখি। কেম্পতুদা সুরজকান্তাগা ঐহাক্না য়াওখি। ২০১০গী মতমসি ইন্দিয়া হোকিগী ওইনসু অকনবা মুভমেন্ট অমা শাগৎলকপা মতম ওইখি। অদুনা, প্লেয়র ওইজরিবা ঐখোয়দসু হেন্না হোৎননিংবা মতাং অমা ওইখি।

অসুম্না, কন্না হোৎনজরকপদগী ২০১১গী লোইরমদাইদগীদি ইন্টর্নেসনল থাক্তা খোঙ থাংজিন্দুনা অশাংবা ভিজন অমা থমদুনা শান্নবা হৌজরকখি। ২০১১গী মতমসিদগী এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেলথ গেমস, ৱর্ল্ড কপ, ওলিম্পিক্তা চেম্পিয়ন ট্রোফি” অসিদনি। দোহাগী এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ ট্রোফি অসিগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগা শান্নখি। মহৌশাদগী ফাইনেলদা ইনিদয়ানা পাকিস্তানগা তাবসি ঐগী ওইনসু নুংঙাইজৈ। ফাইনেল মেচতা কিন কোন্টেষ্ট তৌনরগা শান্নবসি, প্লেয়র ঐখোয়দসু হেন্না চেকশিন্না শান্ননিংবগী ৱাখল অমা ফাওহল্লি। ফাইনেলদুদা পাকিস্তান্না ৱিন্নর ওইরগা, ইন্দিয়ানা রন্নর্সঅপ তাখি। অদু ওইরগসু, শান্নখিবা মেচতুদি ইশাগী ওইনা অপেনবা পোকচখি।

অদুগা, ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা শান্নজরকখিবা অসিদা ঐহাক এসিয়ন

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**হোকিদা মীৎয়েং অমা**

ইশাগী ওইবা মঙলান অমসু তপ্না তপ্না শাগৎলকখি। ঐগী ওইনা ইন্টর্নেসনল শান্নজরকপদা খ্বাইদগী নুংঙাইনা পেঞ্জনা শান্নখিবদি, ২০১৩গী দিসেম্বর ২০দগী ২৭ ফাওবা দোহাদা তৌখিবা “অনীশুবা মেন্স এসিয়ন গেমসতা অনীরক, কমনৱেলথ গেমসতা অনীরক, ৱর্ল্ড কপ্তা অনীরক, ওলিম্পিক গেমসতা অমুক শরুক য়াবা ঙমজখ্রে। ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ১৯দগীনা ওক্টোবর ৪ ফাওবা সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চিওন্দা পাঙথোকখিবা “১৭শুবা এসিয়ন গেমস”তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমজখি। এসিয়ন গেমস অহানবা শরুক য়াজবা মতমদা সনাগী মেদল পুরকপা ঙমখিবা অদুমসু নুংঙাই অদুবু, মমাঙ চহীদা জক্করটাদা (ইন্দোনেসিয়া)দা পাঙথোকখিবা “১৮ শুবা এসিয়ন গেমস”তদি ব্রোঞ্জ ওইনা ফংজরকখি। জক্করটা এসিয়ন গেমসতদি ঐহাক্না ইন্দিয়া টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইনসু চৎচখি।

অমরোমদা, ২০১৮ অসি টেষ্ট মেচ সিরিজময়াম অমসু লেপ্তুনা শান্নজরকখি। ২০১৮গী জুলাই ১৭তগী ২৩ ফাওবা শান্নখিবা ইন্দিয়া ভর্সেস ন্যু জিলেন্দ টেষ্ট মেচতসু ঐহাক ইন্দিয়া টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইনা শরুক য়াজখি। লোয়ননা সেরিজসিদা ৱিন্নরসু ওইবা ঙমজখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা এপ্রিল ৪দগী ১৫ ফাওবা চত্থখিবা কমনৱেলথ গেমসতসু ঐহাক ভাইস কেপ্টেন ওইজখি। খোঙচৎতুদা মেদল পুরকপদি ঙমজখিদে ফোর্থ পোজিসন তারকখি। অদুবু, ২০১৪দা গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা “কমনৱেলথ গেমস” তদি সিলভর মেদল ফংলকখি।

হৌজিক হৌজিক বেঙ্গলোরগী ইন্দিয়া কেম্পতা লৈরিবা কাঙুজম চিংলেনসনা হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা, খুকউগী ইঞ্জুরি লৈবদগী কোচশিংগী ডাক্তরগী পাউতাক মতুং ইন্না টেষ্ট সিরিজনচিংবা থা অহুমগী ওইনা লেপ্লি। অদুমকপু হৌজিক্তী থা অনী হৌখ্রে। মখা তারকপা টেষ্ট মেচ কয়াদা শরুক য়ানবা হৌজিক ট্রেনিং তৌরি। ওষ্ট্রেলিয়াগী পার্থতা হৌজিক চত্থরিবা হোকি টুর অসিদদি, ঐহাক ইঞ্জুরি লৈবা মরম্না পোখারি। অদুবু থা অমগী মতুংদদি শোইদনা শান্নবা য়ারগনিখল্লি। -মথং-মথং-





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৪

১) ঐহাক ওলিম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াবা এথেন্সতা কুমজা ২০০৪দা চৎলুবদা নুপীগী নূং লংবগী থৌরম অদু ওলিম্পিক পাঙথোক্লিবা ষ্টেদিয়ম অদুদা পাঙথোকখিদে। পুৱারীগা মরী লৈনবা মফম অমদা পুরগা অথোই অহেন তান্নহনবা অদু পাঙথোকখি। মফম অদু কদায়দনো?

২) মহাক ওলিম্পিক্কী লমজেল চেম্পিয়ননি। মহাক্না শরুক য়াবা লমজেল অদু অহানবা রাউন্দদা সেকেন্দ ৫১.১৬তা চেনখি, অনীশুবা রাউন্দদা সেকেন্দ ৫১.৮৪দা চেনখিদুনা লমথুংফম য়ৌখি। মহাক কনানো?

৩) মহাক ফ্রান্সকী সেবর টিমগী ওইনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারুরে, মদুদা মরিশুবা তাখি অদুবু মহাক্তি নোবেল হুস্ফু হেন্না ইদুনা মমিং য়াম্না চৎখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী ইরোইবা চেম্পিয়ন স্বিদেনমচা অমা স্পেন্দা অথোই অহেন তান্নবা অমদা শরুক য়াবা চৎলুবদা লৈবাক অদুগী চৎনবী মিলিটরিগী মথৌ তৌনবা কৌখৎপদা চৎলুদবদগী জেলদা থমখিবা অদু কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না নুপী কোচশিংগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, মে ০৯(এজেন্সী)ঃ**

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না এসোসিএসন ওপ ইন্দিয়ান ফুটবোল কোসেস (এ আই এফ সি) অমসুং ফুটবোল ফেদরেসন ওষ্ট্রেলিয়া (এফ এফ এ)গা খুৎশম্নদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা এ আই এফ এফকী হেদক্বার্টরসতা ঙরাং লৈবাক অসিগী নুপী কোচ ২৯দা লোয়ননা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কসোপ অদু ফুটবোল ফেদরেসন ওষ্ট্রেলিয়া নুপগী চহী ১৭ মখাগী নুপীগী নেসনল মিগী হেদ কোচসু ওইরিবী ফুটবোল কোসেস ওষ্ট্রেলিয়াগী ভাইচ প্রসিদেন্টসু ওইরিবী রে দোৱর অমসুং ৱেষ্টফিল্ড ৱুমেন্স লিগ ক্লব এদলেদ য়ুনাইটেদকী কেপ্তেন এমা চেক্করনা কন্দক্ট তৌখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা ৱার্কসোপ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াদগী লাকখিবা এক্সপার্ট অনীনা ইন্দিয়াগী নুপী কোচশিংনা হৌজিক থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং অদুগী মতাংদা খন্নখিবাগা লোয়ননা প্রোব্লেমশিং অদু করম্না মায়োক্নগদগে হায়বগী মতাংদা তাকপি তন্বীখি। ৱার্কসোপ অদুদা কোচ ওইবগী ফিলোসোফি, প্লেয়র মেনেজমেন্ট অমদি ফিল্ডগী মপানদা লৈবা হিরমশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২০ ফিফা য়ু-১৭ ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইগদবনা ৱার্কসোপ অদুনা য়াম্না কান্নবা পীখি।

# গোকুলাম কেরলা অমসুং পঞ্জিম ফুটবোল্লর্স মখোয়গী মেচশিং মায়পাকখ্রে



**লুধিয়ানা, মে ০৯ (এজেন্সী)ঃ**

গোকুলম কেরলা অমসুং পঞ্জিম ফুটবোল্লর্সনা ৩শুবা হিরো ৱুমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ৱানগী মেচশিংদা গোকুলম কেরলা অমসুং পঞ্জিম ফুটবোল্লর্স মায়পাকপা ঙমখ্রে।

গোকুলম কেরলানা ঙসি সেন্ট্রেল সে এস বি ৱুমেন্স ফুটবোল টিমগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হৌবদগী লোয়বফাওবা গোকুলম কেরলাগী শান্নরোয়শিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

অহানবা মিনটতা টিম অদুগী অর্জুনা পাঞ্জল অমা চল্লগা একাউন্ট হাংদোকখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মখাতানা অথুবা মতমদা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় অনিতা রাৱৎনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিল্লকপগা গোকুলম কেরলানা সেন্ট্রেল এসএসবি ৱুমেন্স ক্লব অদুবু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনট অমা চঙশিল্লকপদা টিম অদুদা শান্নরিবী মণিপুর মচা সোরোকখাইবম রঞ্জনা চনুনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি। সেন্ট্রেল এস এস বিগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু অরেম্বা তাখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা গোকুলম কেরলাগী ভানলালরিয়াতি বোৱিটলুঙনা পাঞ্জল অমগা চল্লবা মতুং শান্নবা লোয়গদবা মিনট ১১ ৱাৎলিঙৈদা অঞ্জুনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেচ অদু ৫-০দা থোইখি।

ঙসি মায়পাকখিবা অসি থারগা গোকুলম কেরলানা গ্রুপ ৱানদা মেচ অহুম শান্নখিবদা অহুম্মক মায়পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংখিবগা লোয়ননা পোইন্ট টেবলদা খ্বায়দগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা গোৱাগী পঞ্জিম ফুটবোল্লর্স অমসুং হরয়ানাগী এফ সি অলাখপুরাগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই এফ সি অলাখপুরা মখায়াগী অহানবা মেচতা দেল্লিগী হান্স ৱুমেন্স এফ সিবু থোইদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা গোৱাহী পঞ্জিম ফুটবোল্লর্সতি মখোয়গী অহানবা মেচ অদু হান্স ৱুমেন্স এফসিগী মখুত্তা মায়থীবা নংখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা পঞ্জিম ফুটবোল্লর্সকী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোয় করিস্মা শিরভোইকরনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

এফসিঅলাখপুরাগীশান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা হোৎনরকখি। অদুবু পঞ্জিম ফুটবোল্লর্সশিংগী দিফেন্দরশিংনা মায়পাকহনখিদে। অনীশুবা হাফকী ৫৬শুবা মিনটতা পঞ্জিমগী করিস্মানা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। অদুগা ৭১শুবা মিনটতা অলাখপুরাগী মায়কৈদগী সমিসা জাখরনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মেচ অদু ২-১দা পঞ্জিমনা থোইরগা লোয়শিনখি।

# য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লিগ ফাইনেলদা ইংলেন্দগী টিম অনী টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং লিভরপুল লম্বা তৌনরগনি

**অমষ্টরদম, মে ০৯ (এজেন্সী)ঃ**

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব অনী টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং লিভরপুল ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অনীশুবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদু নেদর্লেন্দসকী ফুটবোল ক্লব এজাক্স অমসুং ইংলেন্দগী টোটেনহাম হোটস্পরগা লম্বা তৌনখিবনি। মীওই ৫৩,০০০ হেনবনা অমষ্টরদম সিটিগী জোহান ক্রুপ এরেনাদা লম্বা তৌনখি।

নীংশিংবা য়াবদি মমাঙ থাগী ৩০দা টোটেনহাম হোটস্পরনা য়ুম্বু ওইরগা লন্দন্দা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল অদুগী অনীশুবা লেগতা এজাক্সনা ১-০দা টোটেনহাম হোটস্পরবু মায়থীবা পীখি। মরম অদুনা ঙরাংগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল লেগ অদুদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা এজাক্সপু পাঞ্জল ১ হেল্লগা মায়থীবা পীবা মথৌ তাখি।

অমরোমদা এজাক্সকী ফুটবোল টিম্না দ্রো চৎলবা ফাওবা ফাইনেল চঙবা মরম্না মখোয়গী ওইনদি টেন্সন কা হেন্না লৈতনা শান্নবা হৌখি।

এরিক হেক্কী মখাদা শান্নরিবা এজাক্স ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী শান্নবগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ টিম অদুগী কেপ্টেন মাথিস দি লাইট শান্নবগী ৫ শুবা মিনটতা য়াম্না ফজবা হেদিং অমগী মতেংনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা টোটেনহাম হোটস্পরবু এগ্রিগেটতা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তানা এজাক্সনা য়াম্না ফজবা এটেকিং ওইবা মশান্না শান্নদুনা টোটেনহাম হোটস্পরদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১০ ৱাৎলিঙৈদা এজাক্সকী মায়কৈদগী হাকিম জিয়েক্না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা টোটেনহাম হোটস্পরবু অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপা ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী টোটেনহাম হোটস্পরনা শোত্থরিবা পাঞ্জল ২ অমসুং এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৩ শোত্থরিবা অদু হন্দোক্নবা অৱেবা লালোং অমদি পাঙ্গল শীজিন্নদুনা মোরিসিয়ো পোচেটিনোগী শান্নরোয়শিং অদুনা এজাক্সকী মায়কৈদা এটেক চত্থবা হৌখি।

অনীশুবা হাফ অদু হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ টোটেনহাম হোটস্পরকী মায়কৈদগী অলিনা কাউশিনখিবা সোট অমা এজাক্সকী গোল কিপ্পর ওনানানা য়াম্না ফজবা ঙাকথোকপা ঙমখি। শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরকী মায়কৈদগী লুকাস






মোরানা পাঞ্জল ১ চন্দুনা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংদা অহেনবা থৌনা লাকখি। ইকুইকুইদনা মখোয়না পুশিনখিবা এটেক অমদা বোল অদু এজাক্সকী গোল এরিয়া য়ৌশিনখি। অহানবা পাঞ্জল চনখিবা টিম অদুগী লুকাসনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ২-২দা লৈনখি।

শান্নবগী মখা তারকপা পুংখাই হেনবা মতম অদুদা টিম অনীমক মখা তাবা পাঞ্জল চনশিন্নবা য়াম্না কন্না বোল মুন্নবা হৌরকখি। টোটেনহাম হোটস্পরকী মায়কৈদগী চেম্পিয়ন্স লিগ ফাইনেল য়ৌনবা পাঞ্জল অমা তঙাইফদনা চন্দবা য়াদে। অমরোমদা এজাক্সকী টিমনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লবদি মখোয়সু ফাইনেল শোইদ্রে হায়বা খঙলিবনি।

বোল পায়বগী চাং টোটেনহাম হোটস্পরনা হেনগৎখি। অদুবু এজাক্সকী মায়কৈদগীসু কাউন্টর এটেক চত্থরকপা বোল অদু ইংলেন্দগী ক্লব অদুগী হাফতা য়ৌশিল্লকপা কয়া য়াওখি। মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ য়ৌশিল্লকখি। ইঞ্জুরি টাইম ওইনা ওফিসলনা মিনট ৭ হাপখি।

অদু ফাওবদা টোটেনহাম হোটস্পরকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি। মখোয়না ইঞ্জুরি টাইমগী মরিশুবা কোর্নর অমা ফংখিবা অদুনা টিম অদুগী গোল কিপ্পর ফাওবা চেন্থোরক্তুনা পাঞ্জল চন্নবা লাক্লুখি। অদুবু কোর্নর অদুগী কান্নবা করিমতা লৈখিদে। বোল অদু মখোয়গী হাফতা অমুক এজাক্সনা পুশিল্লকখি। মদুদগী মুন্নবদা নাম্থোরকপা বোল অমা টোটেনহাম হোটস্পরনা ফংলগা এজাক্সকী হাফতা য়ৌশিল্লকখি। মখোয়গী দিফেন্দরশিং অদুনা বোল ঙাকথোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মদুগী মরক্তা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা লুকাসনা ওয় থংবা সোট অমগী বোল অদু এজাক্সকী গোল পোষ্টকী য়েৎ থংবা কাচিন্দা চঙখিদুনা ৩-২দা হেনখি। ইঞ্জুরি টাইম লোইগদবা মিনট ফাজিল্লক্ত্রবদা এজাক্সকী শান্নরোয় ১১মক এটেকিং লাইনদা চঙশিন্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকপা মীৎকুপ খরগী মনুংদা রেফিরিনা মতম লোইবগী খোঙলকখিবা মখোল অদুনা এজাক্সকী মঙলান কায়হনখি। অমরোমদনা টোটেনহাম হোটস্পর ফাইনেল য়ৌবগী হরাওবা মতোল লোমখি।

এগ্রিগেটতা টিম অনীমক পাঞ্জল ৩-৩ মান্নদুনা লৈখ্রবসু টোটেনহাম হোটস্পরনা মীরমদা চনবা পাঞ্জল মশিং হেনবদগী মায় পাকপনি। মখোয়না ঙরাং পাঞ্জল ৩ চনখিবা অদু অৱে গোল ওইখি। অদুগা এজাক্সনা এপ্রিল ৩০দা অৱে গোল অমখক চনখিবা অদুনা জুনগী তাং অমদা স্পেনগী বর্সেলোনাবু মায়থীবা পীরম্বা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলগা মাদ্রিদ সিটিদা ফাইনেল শান্নরগনি।

# এ এল এস এ (বি)না এম পি এস সি (এ)বু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস)ঃ**

অপোকপা লাইনিংথৌ স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এল এস এ) তোপ সিফাই থোংখোঙ কৈথেলনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৬শুবা মেন্স ওপন কেশ প্রাইজ সেপাকতাক্রো চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল চেমতা এ এল এস এ (বি) অমসুং এম পি এস সি (এ) লম্বা তৌনবদা এ এল এস এ(বি)না সেট ২-১দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

অহানবা সেটতা এ এস এল এ (বি)গী মায়কৈদগী হৌবদগী ফজবা ঙমখি। মখোয়না এম পি এস সি(এ)বু পোইন্ট হেল্লগা শান্নবা ঙমদুনা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২১-৮দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেটতা এম পি এস সি (এ)গী শান্নরোইশিং হান্নদগী শান্নবা ফজবা হেল্লকখি। মখোয়না এ এল এস এ (বি)দগী পোইন্ট মাংজিল থারগা চৎতুনা লোইশিল্লকপদা মখোয়না এম পি এস সি (এ)বু ২১-১৩দা থোইরগা সেট অমমম মান্নরকখি।

দিসাইদিংদা টিম অনীমক লম্বা মান্নখি। অদুবু পোইন্ট লৌবা খুমাং চাওশিনবা হানবদি এ এল এস এ (বি)না হেনখি। মখোয়না সেট অদু ২১-১৪দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

# শাফবা ৱাহেংবম ওপেন্দ্রো ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস)ঃ**

মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৮দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওইনাম লৈকাই লাইফম লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা ৭শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মিষ্টর শাফবা কনটেষ্ট ২০১৯ অমসুং ৭শুবা ষ্টেট লেভেল মিষ্টর শাফবা কনটেষ্ট ২০১৯দা কাংলুপ অনীমক্তা সেকেন্দ পোজিসন তারকখ্রবা ৱাংহেংব ওপেন্দ্রোবু ওকপগী থৌরম অমদা ওল মোইরাং স্কুল ভেন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

ৱাহেংবম ওপন্দ্রোনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্পিটিসন অদুগী মেদিয়ম গ্রুপ্তা অনীশুবা পোজিসন তাখি। মহাক্না ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেদিয়ম গ্রুপ্তসু ২শুবা পোজিসন ফংখি। অদুগা মাষ্টর লেভেলগী চহী ৪০ মথক্কী গ্রুপ্তসু ২শুবা পোজিসন তাখি।

ৱাহেংবম ওপেন্দ্রো কুম্বী সেতুপুর ময়াই লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা ৱাংহেংবম নোদিয়াচান্দ অমসুং ৱাহেংবম ওংবী



মঙ্গীগী মচানুপানি। মহাক্না থৌরম অদুদা ফোঙদোকখিবদা স্কুল ভেন সার্ভিস তৌবিরিবা অমদি ইচিল-ইনাও পুম্নমক্না নিষা থাদোক্তুনা শান্নবদা মায় ওনশিনসি হায়খি।